থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লেজিসলেচর'না লেজিসলেসন শেম্বা কাউখ্রবদা!

চুম্ন'সুম করিমত্তা তৌদনা, ফমদুনা লৈবা হায়বসি 'থৌরৈতবা/কতন/মীরেম' অমগুম খনবীরুনুকো। করিমত্তা তৌদনা, তুমিন' ফম্বা হায়বসিসু অচৌবা ক্রিয়েটিব এক্সর্সাইজ অমনি - হায়নরম্বসি চুম্বনি। ঐখোয়গী ওইবা ৱাহৈদা 'পূক্লিং হিরী কোনবা', সংস্কৃট লোন্দা হায়রগা ধ্যান' তৌবা হায়বসিসু করিমত্তা তৌদনা তুমিন লৈবই মওং অমনি। মওংসিদদি, করিমত্তা তৌদবগী মথক্তা 'মীৎ উইশিনবা' অমসু য়াওরিবনি। 'গৌতম বুদ্ধ'না চহী কয়া খোংনাং পান্বী অমগী মখাদা তুমিন ফমদুনা লৈখিবদু - করিমত্তা তৌখিদে, করম হায়সিগে? অসুম্না অমুক্তং, করিমত্তা তৌদ' শারগা মাইন্দ-কন্সেন্ত্রেসন তৌদুনা শান্নবীয়ু। নুমিৎ খুদিং ঙমদ্র'সু মরক মরক। তোপ তোপ্পা এক্সপরিয়েন্স অমনি।

পূক্লিংসিবু পুমঙৌ ঙৌবা অহাঙবা চেবাং অমগুম হাঙহন্নবা, ৱাখল পূম্নমক তান্থোক্লগা করিমত্তা খন্দনা লৈয়ু হায়রগসু, তূম্লুবগুম ঙাইহাক পুঙ্গোয় অমম্বদা লুপ্লুরগা হান্নই তাইবঙদা হল্লকপদা হল্লক্নু য়াদে হান্নগী লৈখায় তাখিদবা ৱাখলসি ... অমনা অমবু থাজনদবা, অমনা 'মচিন-মনাওনি-থাদোক্লবা-য়াদা লৈমিন্নগদবনি' লাউরগা অমদুনা 'ঐখোয়-তোখায়-লৈজগে-লৈমিন্নবা-ঙল্লরোই' হায়রকপা ... কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকপা, তুংইন্নরকপা কাশ্মীরগী ঈরাং ... অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাবগী ৱাথোক ৱায়েনশঙবু লোইশিনহনবা, মুসলিমশিংগী মসজিৎ শানবা অতোপ্পা লমহাঙ পীবিবা ... নাগাশিংবু থেম্লগা অতোপ্পা ফুরুপ কয়াবুনা কাংখোং চাইহনবা, অসিনচিংবা অমোৎপা পোলিটিকল দ্রামা কয়া অমা শান্নরুরগা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী লো-মেকরশিং, ইন্দিয়ন ইকোনোমিগী য়াঙলেন শরু ওইরিবা থবক শূবা শিন্মীশিংগীদমক ৱাখল খজিক খন্থরকপা মানবা মতৌ অমা উৎথোরকখি। খঙদে কৈদৌঙৈ অচুম্বা ওইদৌরিবা! হাঙহল্লুবা পূক্লিংসিদা অমুক মচু শঙলকখিবা ৱাখলনি। পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম মনুংদুদা, ওগষ্ট তারিখ ৮, ২০১৯ - পার্লিয়ামেন্ট'না এক্ট অমা পাস তৌখি। এক্টতুগী মমিংনি - 'কোদ ওন ৱেজেস, ২০১৯' - খূৎশুমলগী চৎন-পথাপ, ২০১৯ হায়না ৱাহন পীবা তা'মাল্লে। শিনশঙদা নৎত্রগা লোইশঙদা থবক শূরিবা শিন্মীশিংবু শিনশঙ মপু অমদি থবক নেক্লিবা মপুশিংনা মতিক চাবা খূৎশুমল পীবিদনা, পীনীংবতা পীবগী চৎনবী, তোল্ল-তারবশিংবু এক্সপ্লোইট তৌবগী থৌওং অমা চহী কয়াদগী চথরকপদু, কন্সটিট্যুসন শেমখিবা চহী হুম্ফু-তরা হেল্লবা মতুংসিদা কন্সটিট্যুসন'না চৈঙাক ওইদুনা ফংফম থোকপা খ্বাইদগী তাবা খূৎশুমল (মিনিমম ৱেজ) ফংহন্নবগী চৎনলোন অমা হৌদোক্লগনি ... পাউ অসি তাবদা শিন্মীশিং, নিংশা-শ্বর চনীং তানা হোনবগী তাঞ্জা লাক্লে খল্লি।

শিন্মী ওইনা পুন্সি লেল্লকখিবা অমা ওইরুবনা, পাউ অসি 'ঐগী তেল্লবা কোল্লম'সিগী খূথাংদা পাউদম ওইনা তম্লগা য়ৌহন্নীংবা মীগী নাকোংদুদা য়ৌহনজগে খন্দুনা কলম পায়খৎচরুবনি।

মরমদি, অনৌবা এক্ট/রুল অসিনা পীদৌরিবা কান্নবা ইনফোর্মেসন নৎত্রগা অন-ওর্গনাইজ সেক্টরদা লৈরিবা, মশানা শূজরিবা থবক্তুগী তৌগদবা/তৌরোইদবা (দ'জ এন্দ দোন্ট'স), শূফম থোকপা পুংশিং অমদি ফংফম থোকপা খূৎশুমল'নচিংবগী অকূপ্পা ৱারোলশিংদু খঙদনা শূবা শিন্মীশিংনা অয়াম্বনি। ওর্গনাইজদ-সেক্টরগী শিন্মী হায়বদি, শিন্মীশিংগী অপূনবা লূপ, য়ুনিয়ন/এসোসিয়েসন'নচিংবা লীংদুনা, মশাগী রাইট মাঙহন্দনা থবক শূরিবা শিন্মীশিংদি অসিগুম্বা ইনফোর্মেসন মতাং চানা লৌগনি। অনওর্গনাইজদ-সেক্টরদা থবক শূরিবা মখোয়দি ইনফোর্মেটিব ওইদবনা ইমপ্লোয়র/শিনশঙ মপুশিংনা ইরায় লায়না তুহৎলি। অদুবু, লুরিবদি ইন্দিয়াদা থবক শূরিবা অপূনবা শিন্মী মশীংগী চাদা মরিফুতরাহুমদোই (৯৩%) দি অনওর্গনাইজদ-সেক্টরদা লৈবনি। অদোম থাজবীদবরা - লৈবাক অমগী চাওখৎপা অমদি শেল-থুমগী ফীভম ফবা/ফত্তবগী নাপচৈ ওইরিবা জি দি পি (গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট), ইন্দিয়াগী ওইনদি চাদা হুম্ফুদি অসিগুম্বা অনওর্গনাইজদ-সেক্টরদা থবক শূরিবা শিন্মীশিংগী খুদোলনি। হায়বদি, লৈবাক অসিনা ঙসি ওইরিবা থাক অসি ওইহল্লকপদা (নেসন বিল্ডিং প্রোসেসতা) অয়াম্বা থৌদাংদি মখোয়নি। অদুবু, কয়াদা তৌবীমল খঙখিদ্রবা! য়েংবীয়ু - হন্দক হৌদোরক্লিবা 'ৱেজ এক্ট অসিগী লেবর কোদ'কী রুলশিং অসি চৎনহল্লবদি হান্নদগী শোত্থদুনা লৈরবা ইন্দিয়ন ইকোনোমিগী খোঙজেলসি অমুক্কা হেন্না তপথরনি ... অখঙ-অহৈ, এক্সপর্টশিংনা হায়বনি। মখোয়না পান্মী - 'রোটি, কপরা ঔর মকান পোলিসি' হায়নবা, চানবা-শেৎনবা অমদি লৈনবা কোন্নবা চাং অদুতং পীরগা শিন্মীশিংবু নোংমগী চরা হেলহন্দনা থম্নবা থৌশিল অদু মখা চত্থবা! হৌজিকমক্কী ওইনা, লৈঙাক্লা লেপ্পা 'চরা হেলহন্দনবা পীবা খূৎশুমল'গী চাং অসি শুপ্নগী নোংমদা লুপা ১৭৮ খক্তনি। লৈঙাক্কী রেট নত্তবা, ঐখোয়গী মীয়াম্না লেপচবা চাং, চাক থোংবা/কোন ফেঙবা/খোংবান তৌবনচিংবা থবকশিংগী নোংমগী খূৎশুমল হৌজিক্তি লুপা ৬০০/৭০০ ইন্দিয়া'না হৌদোক্কে থৌরাংলিবা কোদ অসিগা চাংদম্নবা য়াই। ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনসু, অফবা চিঞ্জাক-হকশেল-অঙাংগী মহৈ-মশিন, লৈননবা য়ূম অহলগী ক্যার পূম্নমকসি য়েংলগা 'নীদ বেজ মিনিমম ৱেজ' (তঙাইফদবা অতাবা খূৎশুমল) ফংহন্নবা থৌশিল য়াৎকদবনি লাউথোকখি। কনানসু থওইদে। দিল্লি অমদি কেরলাখক্তংদি য়াথং অসি ঙাকপরা? দিল্লি লৈঙাক্লা লাউথোকখি - শিন্মী অমগী খ্বাইদগী তাবা খূৎশুমল, থাগী লুপা ১৪,৮৪২নি। কেরলাগীনা, নোংমগী খ্বাইদই তাবা খূৎশুমল লুপা ৬০০। ষ্টেট অনী'সিগুম্না শিন্মীবু ইকায়খুম্নবীবা ষ্টেট, লৈতে ইন্দিয়াসিদদি। ঐখোয়গী লেজিলেচর এসেমব্লিগী মেম্বরশিং - শেল চাবা/থিকা তৌবদগীদি লেজিসলেসন (লো) শেম্বদুনা হেন্না মরুনি, কাউখ্রবজাৎলা?

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# ইন্সোম্নিয়াগা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজকা লৈনবা মরী

ইন্সোম্নিয়া হায়বসি মীওই কয়ানা থেংনবা খুদোংচাদবা অমনি। কনাগুম্বা মীওই অমদা ইন্সোম্নিয়া নারবদি তূমথনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইবা নৎত্রগনা তূম্লগসু মীকৎ পংথোক্তা থোক্তুনা মপুঙ ফানা তূম্বা ঙমদবা থেংনৈ। কনাগুম্বা খরদদি হায়রিবা লাইওং অনীমক অসি থেংনবা য়াই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ পেনসিলভানিয়াদা পাঙথোকখিবা রিছার্স অমগী মতুংইন্না চহী খুদিংগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈবা মপুঙ-মরৈ ফারবা মীওই ৪ গী মনুংদা ১ দি শোর্ট টর্ম নৎত্রগনা একুট ইন্সোম্নিয়াগী খুদোংচাদবা থেংনৈ হায়রি। একুট ইন্সোম্নিয়া হায়বদি ষ্ট্রেস লৈবা নৎত্রগনা ৱাখল ৱাবনা মরম ওইরগা মতম খরদংগী ওইনা তূম্বা য়াদবগী খুদোংচাদবা থেংনবা অদুবুনি।

হায়রিবা মীওইশিং অসিগী শরুক মরি থোকপগী মনুংদা অহুমলোমদি হান্নগী তূম্বগী পেটর্ন অদুদা অমুক হঞ্জিল্লকই। অদুবু অতৈশিংদি ক্রোনিক ইন্সোম্নিয়াগী খুদোংচাদবা থেংনদুনা লৈহৌই। চয়োল অমদা য়ামদ্রবদা নুমিদাং অহুল্লক তূম্বা য়াদবগী থৌওং থা অহুমদগী তাদনা থেংনরবদি মদুদি ক্রোনিক ইন্সোম্নিয়া হায়রগা খঙনৈ।

একুট অমদি ক্রোনিক ইন্সোম্নিয়া অনীমক অসিনা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা উইবা, করিগুম্বা হীরম অমদা পুক্নীং চঙবা অমদি নীংশিংবগী পাঙ্গলদা খুদোংচাদবা থেংনবা, অমদি ইনর্জি য়াওদবনচিংবা থেংনহল্লি।

অদুবু হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী হেন্না কিনিংঙাই ওইরবা ফিভম অমসু ইন্সোম্নিয়ানা থোকহল্লি হায়বা ষ্টদিশিংদগী খঙবা ঙম্লে। স্লিপ মেদিসিন রিভিয়ুদা য়াওরকখিবা নৌনা চত্থখিবা এনালাইসিসতা ইন্সোম্নিয়াগা দিপ্রেসন, এঞ্জাইটি অমদি অলকোহোল মিসয়ুজকী খুদোংচাদবা থোক্লকপগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুগা অতোপ্পা ষ্টদিশিংদনা ইন্সোম্নিয়াগা থম্মোয়গী লায়না মরী লৈনৈ হায়বা খঙখ্রে।

নিউরোলোজি হায়বা জর্নেল অমদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমদা মমাঙদা চত্থখিবা রিছার্সশিংনা ইন্সোম্নিয়াগী ৱাহন্থোক চুম্না পীবা ঙমদ্রে অমদি লায়না অসি নাদবা মীওইশিংবুসু অনাবা মরক্তা চলহনবিরে হায়না উৎখ্রে।

অনৌবা ষ্টদি অদুগী রিজল্টনা মরুওইনা নহা ওইরিবা মীওইশিংদা ইন্সোম্নিয়া লৈবরা হায়না খঙদোকপনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা কার্দিওভাস্ক্যুলর লায়নাশিংগী রিস্ক হন্থহনবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি।

রিছার্সরশিং অদুনা চাইনা কাদুরি বাইওবেঙ্কতগী দেটাশিং শীজিন্নদুনা চাইনাগী মীওইশিংদা ক্রোনিক দিজিজশিং নাহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিং থিজিনখি।

ষ্টদি অদু চত্থবা মতমদুদা মশাগী চহী ৩০ দগীনা ৭৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা পার্টিসিপেন্টশিংদা থম্মোয়গী লায়না নৎত্রগনা ষ্ট্রোক তৌখিবগী হিষ্টোরি অমত্তা লৈবা থেংনখিদে।

অনৌবা ষ্টদি অসিদা রিছার্সরশিং অদুনা য়ামদ্রবদা চয়োল অমগী মনুংদা নুমিৎ হুম্নিদগী তাদনা থেংনবা ইন্সোম্নিয়াগী সিম্পটোম অহুম এনালাইজ তৌখি। সিম্পটোমশিং অদুদি তূমথবা অমদি তূমদুনা লৈবদা খুদোংচাদবা থেংনবা, নোং ঙান্দ্রিঙৈদা য়াম্না ঙন্না মীকপ থোকপা, নৎত্রগনা তূম্বা কায়বনা মরম ওইরগা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা থবক থৌরমশিংদা ফোকস তৌবদা অৱাবা মায়োক্লবা অসিনচিংবশিংনি।

ষ্টদি অদুগী দেটানা উৎলি মদুদি পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী চাদা ১১ না তূমথনবা হোৎনবদা ৱাবা নৎত্রগনা অহিংদা মীকপ তোয়না থোকপগী খুদোংচাদবা থেংনৈ, চাদা ১০ না য়াম্না ঙনমন্না মীকপ থোকপগী খুদোংচাদবা থেংনৈ। চাদা ২ খক্তংনা অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা ফোকস তৌবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা থেংনৈ।

রিছার্সরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্ট খুদিংমকপু চহী ১০ রোম য়েংশিনখি। হায়রিবা চহী ১০ গী মতম অসিদা হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক অমদি অসিগুম্বা মখলগী খুদোংচাদবা থেংনবগী মশিং ১৩০,০৩২ থেংনখি।

ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি মদুদি ইন্সোম্নিয়াগী সিম্পটোমশিং অদু থেংনদবা মীওইশিংগা য়েংনবা মতমদা মখল অহুম্মক থেংনবা মীওইশিংদা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ নারকপা য়াবগী ওইথোকপা চাদা ১৮ গী চাংদা হেনগৎলি।

অয়ুক নুংথিলগী মতমদা ফোকস তৌবগী খুদোংচাদবা থেংনদবা মীগা থেংনবা মীগা য়েংনবদা থেংনবা মীদনা হার্ট এটেক তৌরকপা য়াবগী চাং চাদা ১৩ হেল্লি।

তূমথনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লবা অমদি অহিংদা মীকপ তোয়না থোকপগী খুদোংচাদবা থেংনবা মীওইশিংদনা ষ্ট্রোক, হার্ট এটেক অমদি মান্নবা লায়নাশিং নারকপা য়াবগী চাং চাদা ৯ হেনগৎপা অদুগা নোং ঙান্দ্রিঙৈদা ঙনমন্না মীকপ থোকপা মীওইশিংদনা চাদা ৭গী চাংদা হেনগৎলি হায়বসু রিছার্সরশিং অদুদা খঙবা ঙমখি।

ইন্সোম্নিয়াগা কার্দিওভাস্ক্যুলর লায়নাগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙবা ঙম্লবসু মসি কমদৌনা ওইরক্লিবনো হায়বদুদি রিছার্সরশিং অদুনা পুথোক্ত্রি হায়না ফোঙদোকখি। চত্থরিবা ষ্টদি অসিদি লায়না অনীসিগী মরক্তা মরী লৈনৈ হায়বদুখক্তং উৎপনি।

ষ্টদি অথর ওইরিবা বৈজিংগী পেকিং য়ুনিভর্সিটিগী ডা. লিমিং লিনা হায়খি মদুদি, ইন্সোম্নিয়া অমদি কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি ষ্টদি অসিগী হৌগৎলকপা মতমদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখিদবা মীওইশিং অমদি নহাশিংদদি হেন্না কল্লী।

ষ্টদিগী রিজল্ট অসিনা উৎলি মদুদি ঐখোয়না তূম্বা য়াদবা মীওইশিংদা বিহেভিয়রেল থেরাপি শীজিন্নদুনা লায়েংলবদি ষ্ট্রোক অমদি হার্ট এটেক তৌবা অমদি অতৈ লায়নাশিংগী মশিং হন্থহনবা ঙম্বা য়াই হায়নসু ডা. লিমিং লিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।


LRS GROUP OF COMPANIES
ISO 9001:2015 CERTIFIED

## Recruitment Notice

Applications are invited from suitable candidates for the below posts at various subsidiary Companies of LRS Group of Companies.

**LRS Education Services Pvt Ltd**

| Name of the post | No of posts | Qualifications and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| 3D Max and MAYA Animation Trainer | 2 | • 3-5 years of Experience in Teaching 3D Max and MAYA Animation | Starting from 15,000 per month |
| Counselor | 2 (Female) | • Minimum graduation with 3-4 years' work experience in a similar role<br>• Candidate with good knowledge of Animation and visual effects industry will have an added advantage | Starting from 8,000 PM |

**LRS Hospitality and Healthcare Services Pvt Ltd**

| Name of the post | No of posts | Qualifications and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| Pharmacist | 10 (for Imphal East/West, Thoubal and Bishnupur) | • D Pharm with 1-2 years' experience.<br>• Candidate from the same district will be given preference | Starting from 10,000 PM |
| Food and Beverage Executive | 8 | • Degree/Diploma in Food and Beverage with minimum 1-2 years' experience in F&B.<br>• Experience in a Café or QSR will be given preference | Starting from 10,000 |
| Customer Support staff | 5 | • Minimum 12 pass with 1-2 years' experience as a sales staff in any shop | Starting from 8,000 PM |
| Driver | 2 | • Minimum 18 years old with valid driver's license | Starting from 5000 per month |

**LRS Infotech Pvt Ltd**

| Name of the post | No of posts | Qualifications and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| Web Developer | 2 | • 3-4 years' experience in designing and maintaining websites.<br>Must have hands on experience with latest web technologies | 15,000 – 30,000 per month |
| Office Assistant | 2 | • Minimum 12 pass with 1-2 years' work experience in any field<br>• Candidate with own vehicle will be given preference | Starting from 5,000 PM |

**LRS Infrastructure Pvt Ltd**

| Name of the post | No of Posts | Qualification and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| Architect | 2 | • B Arch with 3-4 years of experience | Starting from 15,000 per month |
| Mason, Carpenter, Plumber, Electrician, Tiles Mistry Etc | 10 each | • 3-4 years of experience in the respective fields<br>• Having a recognized certificate/diploma will be an added advantage | Negotiable |

**LRS Financial Services Pvt Ltd**

| Name of the post | No of posts | Qualifications and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| Relationship Officer | 4 | • Preferably MBA/M. Com with 3-4 years of experience in Banking and Financial Sector | Starting from 10,000 |
| Business Development Executive | 4 | • Minimum a graduate with 1-2 years' experience in the micro finance sector<br>• Preference will be given to candidates with own vehicle | Starting from 8,000 PM |
| Cashier | 2 | • M. Com/ B. Com with 2-3 years' experience in handling cash transactions | Starting from 8,000 PM |
| Housekeeping Staff | 2 | • Minimum 10 pass with prior experience of working as a house keeping staff in any place | Starting from 4,000 PM |

*LRS financial Services also welcomes investors who are willing to invest at monthly interest rate of 4%. Please walk in to our office for more information.*

Important information:
- Candidates need to submit their application form and Résumé at the below address before **5th Dec 2019**
- Only the suitable candidates will be contacted after Résumé screening

**LRS INDIA, Changangei, Opposite Imphal International Airport**

HL-B/5836/28,29,30




# মীওইবনা করিগীদমক তাইবঙপান্দা লাক্লিবনো খন্থরগদি ঈং তপ্পা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*ময়াংলম্বম গেপিলিনা*
*লমদম অসিগী নৌনা ফাওগৎলক্লিবি এক্ট্রেস*



মহৈ য়াম্না তমদুনা দিগ্রী কয়া লৌদুনা অৱাংবা এদ্যুকেসন ফংলবসু ফজবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, ফজবা লমচৎ-শাজৎ, মথক-থোংবশিংদা ইকায়খুম্নদবা অমদি মরৈবাক মরমদমবু নুংশিদ্রগদি অৱাংবা দিগ্রী অদু শুপ্নগী অইবা চেগী চেজেৎ অমগুম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু কনাগুম্বা খরদি অৱাংবা দিগ্রী ফংদ্রবসু মীওইবশিংগী থম্মোয় হুবা ঙম্বা, মীনুংশি-থৌজাল হৈবা অমদি মরৈবাক মরমদমবু নুংশিজবা মীওই কয়া লৈ। ফজবা ৱাখল্লোল অমদি ফজবা লমচৎ-শাজৎ অদুগা লোয়ননা শক-চুসু চঙখোল্লবদি করি হায়রুগনি। তাইবঙ মপুনসু ঐনা শেম্বনি হায়বদা চাউথোকপা শোয়দনা ফাওরমগনি।

শুপ্নতগী মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইহিরিবি লমদম অসিগী নৌনা ফাওগৎলক্লিবি শক্লাইরবী ফিল্ম এক্ট্রেস ময়াংলম্বম গেপিলিনা, শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা পোকখি। অপোকপগী মিংনা ময়াংলম্বম নিক্সন অমদি অপোকপীনা ময়াংলম্বম ওংবি সনাতোম্বি কৌই। তাইবং মপুনা শেম্বিরকপা ফজরবা মচু কয়াগী মরক্তগী শেৎলু-চারুবদা পকচরুবনা এক্বা গ্রিন, নেবি ব্লু অমদি ব্লেক মচুনা ওইরি। ঈশৈ শকপা অমদি জগোয় শাবনা মহাক্কী খ্বাইদগী পামজবা হোবিনি। হৌজিক ফাওবদা গেপিলিনাগী ফিল্ম ৭ মুক রিলিজ তৌখ্রে। ফিল্ম ১৫ অথুবা মতমদা রিলিজ তৌরক্লবা শেম শাদুনা লৈরে। ম্যুজিক ভিদিও কয়াদসু এক্ট তৌখিবা লৈরে । লোয়ননা নৌনা লাক্কদবা এলবম খরসু লৈরি। **লৈচিলগী মৈচাক** অমদি **থবাতোন-৩** হায়রিবা ফিল্ম অসি নম্বদা মীয়াম্না করি হায়নখিগনি, এক্টসিগা ঐগা চান্নবা হায়বদু ওইগদ্রা হায়না য়াম্না পাখৎপা অমদি ফাওখি। অদুবু মহাক্কী বেষ্ট লেবেলদা হোৎনখিবনা মীয়াম্না য়াম্না পান্নবা হায়বদু ওইদুনা লমদম অসিগী মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা কয়া ফোঙদোক্লরকখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী জগোয় শাবা, এক্টিং তৌবা অমদি ঈশৈ শকপনচিংবা আর্টকী ওইবা লম্বীশিংদা খোইদাজরকপা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। লৈকায়গী থৌরমশিং, লাই হরাউবা অমদি স্কুলগী মখল-মখা কয়াগী থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা লাকখি। ফিল্মগা মরী লৈনবা আর্টিষ্ট, দিরেক্টর, প্রদ্যুসরনচিংবা য়াওবা আর কে কমলাসনা ফিল্ম প্রদক্সনগী নুমীৎ মঙানিগী ওইবা ৱর্কশোপ অমদা স্ক্রিপ রাইটর সুরজনা দিরেক্টর গুরুংগা খঙনহনখি। মতুং তারকপদা দিরেক্টর গুরুংনা দিরেক্ট তৌদুনা পুথোকখিবা **খুৎশা অনী** হায়রিবা ফিল্ম অসিদা ওজা গুরুংনা অহানবা ওইনা ফিল্মগী লম্বী অসিদা পুশিনবীখি। অহানবা ফিল্ম কুম্বা হৌরকপা মতমদা ক্লাস টেন খক কারিবা ওইবনা ইমুংগী অহল-লমনশিংনা কয়া য়ারমদে অদুবু ফিল্ম রিলিজ তৌবা হৌরকপদগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা পূক্লিং থোগৎপিবগা লোয়ননা সপোর্ট তৌবা হৌরকখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

ইনখৎলকপগী ইঙাও ঙাওজবা রোল কুম্বা পামজৈ অদুবু ঙসি ফাওবদি সিরিয়স ওইবা অমদি য়াম্না লেম্বা শাবী নুপিশিংগী রোল ওইনা ফংই। অদুবু ফংলিবা রোল অদুগী মতুংইন্না থৱায় তানা এক্ট তৌনবা হোৎনবা এক্ট্রেস অমনি। লাইরিক তম্নবা হোৎনবা অমদি ফিল্মগী শুটিং তৌনবা হোৎনবদা মতম শিন্দোকপদা অৱাবা কয়া অমসু থেংনরি। অদুবু লম্বী অসিদা মায়পাকপা মীশক অমা ওইদবা য়াদে খন্দুনা অৱাবা কয়াবু নাথৈরম্লগা ঙসিসু কন্না হোৎনরি। লমদম অসিগী শক্লাইরাইবী শৈশকপী পুস্পরানি অমদি শৈশকপা শুরেননা গেপিলিনাগী খ্বাইদগী পামজবা শৈশকপশিংনি। লোয়ননা মহাক্কী খোয়দাজবা এক্ট্রেস কমলা অমদি এক্টর ওলেননা ওইরি। ৱানা হোৎনরকপগী তুংইন্না লমদম অসিগী শক্লাইবী অমা ওইবা ঙল্লকখিবসি অপোকপা-অপোকপী, ওজা গুরুং, সিনিয়রশিং অমদি লমদম অসিগী মীয়ামগী মীনুংশিগী থৌজালনা ওইবা ঙমখিবনি লোয়ননা মখা তারকপদসু মীয়ামগী নুংশি-থৌজালগী মখাদা ফিল্মগী লম্বী অসিদা মীয়ামগী থৌগল তৌবা পান্মী হায়নসু গেপিলিনানা ফোঙদোরকখি।





লমদম অসিদা ফজবা কলচর, ফজরবা ৱাখল্লোল ময়াম লৈরবসু নৌনা লম্বী অমদা খোঙদারকপা মতমদা নৌনা খোঙদারক্লিবা মীশক অদুবু পূক্লিং থৌগৎপিবগী মহুৎতা নোক্লবিবা অমদি করেম্নবিবা মীওইনা হেন্না লৈবগুম তৌই। মদুগী মহুৎতা লম্ অমদা হেক্তা ওইসনু নৌনা খোঙদারক্লিবা মীওই অদুবু ঙাকপি শেনবিবা, পূক্লিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নহন্নিংই হায়নসু গেপিলিনানা ফোঙদোরকখি। গেপিলিনানা কুমখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা **লৈচিলগী মৈচাক** হায়বা ফিল্ম অসিনা মহাক্লা খোয়দানা কুমখিবা অমদি পামজবা ফিল্ম অমা ওইখি। নৌনা ফিল্মগী লম্বী অসিদা চঙনিংবা মীওইশিংনা এক্টিং তৌবগী ক্লাস য়াওবগা লোয়ননা থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি মায়পাক্লা চৎপা হায়বদু ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা